**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-03-2025)**

**হেন্দলুম (এল)ঃ** নুমিৎ ১৪ নি চত্থগদবা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো (হাট-করঘ মেলা) ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নিলাকুথিদা লৈবা অবান হটতা হৌখ্রে।

'ঐগী হেন্দলুম-ঐগী চাউথোকচফম' জাতিগীদমক খাদি, ফেসনগীদমক খাদি হায়বা হীরমদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা মেলা অসিদা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং য়োনবা ষ্টোল ৬০ হেন্না হোংলি।

থা অসিগী ২৮ ফাওবা চত্থগদবা এক্সপো অসি হাংদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দাইরেক্তর-শ্রী এলাংবম জিতেন সিংহনা হায়-মনিপুরগী আর্টিসিয়ানশিংনা শাবা কৌনাগী পোৎথোকশিং দুবাইদা থাদুনা য়োনবা হৌরে। অনিশুবা কোন্সাইমেন্ট ওর্দর তৌরক্লে। মসি পীননবা হোৎনবদা লমদম অসিগী আর্টিসিয়ানশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনবা তঙাইফদে।

মহাকা হায়-লমদম অসিগী আর্টিসানশিং অতৈ রাজ্যশিংগা য়েংনরুবদা হন্থদে। মখোয়গা চাংদমদুনা হেন্না মগুন লৈবা পোৎথোকশিং পুথোক্তুনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে।

**য়াউশং (এল)ঃ** য়াওশঙ কুম্মৈগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা লৈকাই লৈকাইগী ক্লবশিংনা শিনদুনা য়াওশঙ স্পোর্টস মিট পাঙথোকরি। ঙসিসু ইম্ফালগী কংলাদগী য়াওশং স্পোর্টসকী মৈরা লৌবা লাকখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদসু য়াওশং কুম্মৈগা মরী লৈননা শান্ন খোৎনবগী থৌরম কয়া পাঙথোকরি।

ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী লাইশঙদসু ঙসি হোলিগী থৌরম পাঙথোকখি।

মরক অসিদা, য়াওশং কুম্মৈগী য়েংলগা রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসনা মরুওইবা লম্বীশিংদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ঙরাং কামজোং জিলাগী নামপিশা খুলদা ফুদ প্রোসেসিং সেন্টরগী মচাক মথুমশিং পীখ্রে।

মীয়ামগী লল্লোন ইতিক অমসুং মশানা মশাবু থবক পীজবা য়াওনা অতৈ লম্বী কয়া য়াৎনবগীদমক পায়খৎপা ওপরেসন সদভাবনাগী শরুক অমা ওইনা পোৎলমশিং অদু পীখিবনি।

নৌনা হাংদোক্লিবা ফুদ প্রোসেসিং সেন্টর অসিনা মফম অদুগী লৌমীশিং, করবাররৱালাশিং অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়রশিংগী মরুওইবা হব অমা ওইরগনি। থৌরম অদুদা খুলগী লুচিংবশিং অমদি মীয়ামনা শরুক য়াখি।

**কঞ্জুমর ঃ** ঙসি অসি মালেমগী কঞ্জুমর রাইট নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্লি। পালন অসি পোৎ-চৈ লৈরিবা কঞ্জুমরশিংগী মখোয়গী হকপু ঙাক শেন্নবা অমদি হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্নবদগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। কুমশি চহিগী হিরমদি-জষ্ট ত্রাঞ্জিসন টু সষ্টেনেবল লাইফ ষ্টাইল হায়বসিনি।

কেন্দ্রগী কঞ্জুমরস এফ্যারস মন্ত্রালয়না নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা জাগো গ্রহক জাগো হায়বা এৱারনেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লি। পোৎ লৈরিবা মীওইশিংনা নেসনেল কঞ্জুমর হেল্প লাইনগী খুত্থাংদা ৱাকৎপদা মতেং ওইনবা তোঙান তোঙানবা কম্পনি লিশিং ১ হেনবগা খুৎশমদুনা নুমিৎ অসি পালন তৌরি।

মনিপুরদসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম কঞ্জুমর ক্লবস মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফালগী ক্বাকৈথেলদা পাঙথোকখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি অসামগী দরগাউদা মতমগা চুন্ননা শেমগৎলবা লচিত বরফুকন পুলিস একাডমী শঙ্গাখ্রে অমসুং পুলিস একাডমী হাউজিং প্রোজেক্টশিংগী যাত্রাসু হুনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-অসাম অসি খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলক্লি অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিল্লক্লে। মন্ত্রিনা হায়-শ্রী মোদিনা হোৎনবদগী রাজ্য অদুগী লালহৌলুপ পুমমক শান্তিগী ৱারী শান্নবগী মায়কৈদা চংশিল্লক্লে অমসুং অতৈ কয়ানা চংজরক্লে।

শ্রী সাহনা মখা তানা হায়-রাজ্য অদুদা হৌজিক হিংশাগী থৌওং লৈত্রে। মসিগী মহে ওইনা নহারোলশিংদা থবক ফংহন্নবগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা লল্লোন ইতিক্কী লমদসু চাউখৎলক্লি। মন্ত্রিনা হায়-কেন্দ্রনা রাজ্য অদুদা লুপা কোতি লাখ ৩ গী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলগনি। মসিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী লমদসু হেন্না চাউখৎহল্লগনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মনা হায়-অসাম পুলিসকী ওইনা ঙসি অসি য়ামমক মরুওইরবা নুমিৎ অমনি অমসুং মসি অহোমগী শকাইরবা জেনরেল-লচিত বরফুকনগী মফমদা পীবা খুদোল অমনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কেম্পস অসিমক্তদা পুলিস মেদিকেল কলেজ অমা লিংখৎনবসু রাজ্য সরকারনা থৌরাং তৌরি।

মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরাগা চাংদমবদা রাজ্য অদুদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম মপুং ফানা ফগৎলে অমসুং মীহাৎ মীপুনগী থবক চথবগী চাংসু চাদা ৫০ গী মথক্তা হন্থরে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি-সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়-পুলিস একাডমী অসিনা মতম অসিগী ওইবা ৱাথোকশিং লাকশিন্নবগীদমক লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ফবা পুলিস ফোর্সশিং পুথোকপা ঙমহল্লগনি।

থৌরমদুদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী রাজ্য মন্ত্রি-পাবিত্রা মারগেরিতা অমদি অতৈ শকাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

তুংদা, শ্রী সাহ আইজোলদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা অসাম রাইফলসকী থৌরম অমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-বি.জে.পি. সরকারনা মিজেরামবু শান্তি ওইবা, অশোয়-অঙাম থোক্তবা অমদি নীংথিজরবা লমদম অমা ওইবা পাম্মী। মহাকা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা রাজ্য অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎপা পাম্মী। শ্রী সাহনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমবু চাউখৎহনবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রিনা লমদমসিবু শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবসু পাম্মী। কেন্দ্রনা অসাম রাইফলসকী কেম্পপু আইজোলগী ৱাংমদা পুথোরকপগা লোয়ননা কেন্দ্রনা মিজোরামবু চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহন্নবা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা থবক পায়খৎলি। তুংদা, শ্রী সাহ গুৱাহাতিগীদমক আইজোল থাদোকখি।

শ্রী সাহনা হয়েং অসামগী কোক্রঝার জিলাগী দোটমাদা পাঙথোকপা ওল বোড়ো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৫৭ শুবা চহিগী মীফমদা ৱা ঙাংগনি। মদুগী তুংদা, গুৱাহাতিদা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৮ গী মুখ্য মন্ত্রিশিংগা অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং চৎনহনবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। তুংদা, শ্রী সাহ ন্যু দিল্লিগীদমক অসাম থাদোক্কনি।

**অশ্বিনিঃ** কেন্দ্রগী রেলৱেজ, ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং, ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং আই.টি. মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা মহৈরোইশিংনা শেমগৎপা অনৌবা স্তার্টঅপশিংদা সরকারনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়বগী থাজবা পীখ্রে।

তামিল নাদুগী শ্রীপেরমবদুরগী আই.আই.টি. টাইয়ুরদা পায়খৎপা হাইপরলুপ প্রোজেক্টতা য়াওবা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নবদা মন্ত্রিনা মসি চাউখৎহনবদা মাংজিল থাবা মীৎয়েং থমগনি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা মহৈরোইশিংদা ইনোভেটিপ টেকোলোজি পোটোটাইতশিংদা অকনবা মীৎয়েং

চংনবা হায়খি।

জেটব্রাক ইলেক্ট্রোনিক্স মেন্যুফেকচরিং সেন্টর হাংদোকপগী থৌরমদা ব্রা ঙাংবদা শ্রী বৈষ্ণবনা শ্রীপেরমবদুর অমসুং মনালুরদা লুপা কোতি লিশিং ১,১১২ চংনা অনৌবা ইলেক্ট্রোনিক ইন্দষ্ট্রি অনি শেমগৎলগনি হায়নসু লাউথোকখি।

অমৃত স্কিমগী মখাদা রেলৱে ষ্টেসন ৭৭ শেমগৎনবা অমসুং রেলৱে ওভর ব্রিজ ৭১৫ শানবা থৌরাং তৌরি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি। সরকারনা লৈবাক অসিগী লোল খুদিংমকপু ইকায় খুমৈ হায়রদুনা মসিবু হেন্না চাউখৎহনবা অমদি ঙাক শেনদুনা থম্বগী তঙাইফদবদুসু মহাকা পনখি।

**ইসরো ঃ** ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেস (ইসরো)না মপান লৈবাকশিংগী সেটেলাইটশিং থাগৎতুনা ফোরেন একচেঞ্জ রেভিন্যু ওইনা আমেরিকাগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪৩ হেন্না খোমগৎপা ঙমলে।

দিপার্টমেন্ট ওফ স্পেচনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ইসরোনা ফোরেন সেটেলাই ৩৯৩ অমসুং ভারতকী কষ্টমর সেটেলাইট অহুম লোঞ্চ তৌখ্রে। ইসরোনা আমেরিকা, য়ুনাইতেদ কিংদম, সিঙ্গাপুর য়াওনা চাওখৎলবা লৈবাক ৩৪ রোমগী সেটেলাইটশিং লোঞ্চ তৌবা ঙমখ্রে।

ইং ২০১৫ গী জনুৱারিদগী দিসেম্বর ২০২৪ ফাওবদা ইসরোনা মখোয়গী পি.এস.এল.ভি, এল.জি.এন-থ্রি অমসুং এস.এস.এল.ভি লোঞ্চ ভেহিকলশিং শিন্নিদুনা মপান লৈবাক্কী সেটেলাইটশিং অসি থাগৎখিবনি।

**এৱার্ডঃ** মথং চহিগী গনতন্ত্র দিবস নুমিৎতা লাউথোক্কদবা ২০২৬ কী পদ্ম এৱার্ডকী নোমিনেসন পীশিনবা ঙসিদগী হৌরে। নোমিনেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ জলাই ৩১ নি। পদ্ম এৱার্ডশিংগীদমক নোমিনেসন অমদি রিকমেন্দেসনশিং রাস্ত্রিয়া পুরস্কার পোরটেলদা ওন লাইনদা পীখৎকদবনি।

পদ্ম এৱার্ডশিং-পদ্ম ভি ভুষন, পদ্ম ভুষন অমসুং পদ্মশ্রী অসি লৈবাক

অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্ডশিংনি।

**আরবিআইঃ** য়ুনাইটেদ কিংদমগী লন্দনদা লৈবা সেন্ট্রেল বেঙ্কিংনা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর.বি.আই) বু ২০২৫ গী দিজিটেল ট্রান্সফোরমেসন এৱার্ড পীনবগীদমক খল্লক্লে।

সেন্ট্রেল বেঙ্ক অসিগী ইন হাউস দিবলপ্পর টিমনা শেমখিবা প্রভা অমসুং সাথি হায়না মিংথোনবা দিজিটেল ইনিসিয়েটিবশিংগীদমক মনা অসি পীরকপনি। দিজিটেল ইনিসিয়েটিবশিং অসিনা চে শিজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা আর.বি.আইগী ইন্টরনেস অমসুং এক্সটরনেল প্রোসেসশিংদা অওনবা পুরকপগীদমক এৱার্ড কমিতিনা মনা অসি পীনবা খল্লকপনি।

**আইএলওঃ** মালেমগী ওইবা ফোরমশিংদা শিন্নীশিংগী য়াইফ-থৌরাং, থবক অমদি খুন্নাইগী ওইবা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী লমদা ভারতনা তকশিনবগী ফিরেপ মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

জেনেভাদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল লেবর ওর্গনাইজেসন (আই.এল.ও) গী ৩৫৩ শুবা গভরনিং বোদিগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি-সুমিতা দাউরানা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। কেমিকেলশিং অমসুং ৱেটসত লৈতবা শিন্নীশিংবু মপুং ফানা ঙাক শেনবা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ভারতনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**স্পেচঃ** থা ৯ হেন্না ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা পনদুনা লৈরক্লবা এষ্ট্রোনাউথ অনি সুনিতা ৱিল্লিয়মস অমসুং বদস ৱিলমোরবু পৃথিবীদা পুরকবা অখন্নবা স্পেচ মিসন ক্রু টেন ঙসি মায় পাকা কাপখৎখ্রে। স্পেচ এক্স অমসুং নাসানা পুন্না পায়খৎমিন্নবা স্পেচ মিসন অসিদা হৌজিক পনদুনা লৈরক্লিবা

এষ্ট্রোনোথ অনি অসি শিন্দোক্তুনা নৌনা এষ্ট্রোনোথ মরি থমবগী পান্দম থল্লি।

**কেনাদা** ঃ মার্ক কারনিনা কেনাদাগী অনৌবা প্রধান মন্ত্রি ওইরগনি। নৌনা সরকার পায়গদৌরিবা মহাক্কী মন্ত্রি মন্দলদা পুন্না মন্ত্রি ২৪ ঙসি ৱাশক লৌখি। মহাকা চহি ৯ হেন্না প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা জষ্টিন ক্রুদোগী মহুৎ শিনবনি।

**রনঃ** চান্দেল জিলাদা ইং তপ্পা, নুংশি চান্নবা অমসুং মীয়ামবু হকচাং ফনা লৈহন্নবগী পাউজেল পুবা মরিশুবা 'রন চান্দেল রন' হায়না মিংথোনবা লমশাং লমজেল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লমজেল অসি অসাম রাইফলস, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন, ৱাইস ক্রেপস, লক্সা একাডমী অমসুং রিটচা ফাউন্দেসননা শিনবনি।

**ক্রিকেট** ঃ ৱিমেন্স প্রিমিয়ার লিগকী ফাইনেলদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা দিল্লি কেপিটেসকা হৌজিক মুম্বাইগী ব্রাবোর্ন ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌখ্রে। দিল্লি কেপিটেলস লিগ অসিগী হৌজিক ফাইনেল অহুম্লক শান্নখিবদা মায় পাক্তনা লৈরকখিবনি।

**ফুটবোলঃ** ইন্দিয়ান সুপর লিগ ২০২৪-২৫ গী সেমি ফাইনেল শান্নগদবা মতম লাউথোকখ্রে। মথং থাগী তাং অনি অমদি অহুম লোয়ননা তাং তরুক অমদি তরেৎতা সেমি ফাহনেল শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলনা মথং থাগী ১২ শান্নগনি।

**সুট্টিংঃ** অরজেন্টিনা অমদি পেরুদা মথং থাগী অমদগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা আই.এস.এস.এফ. ৱার্ল্ড কপ রাইফল-স্তোল-সোর্ট গনদা শরুক য়াগদবা ভারতকী সুট্টর শান্নরোই ৩৫ মখোয় মখোয়গী ইভেন্টকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।